# কনাডাগী মোস্কতা লাই খুরুম্লিঙৈঙে মনুংদা এটেক তৌবদা মীওই ৬ শিখ্রে

## টেররিষ্টকী এটেকনি : কনাডাগী প্রাইম মিনিষ্টর



ক্বিবেক সিটি, কনাডা, জানুৱারী ৩০ :
কনাডাগী ক্বিবেক সিটিদা লৈবা মোস্ক অমদা নুমিদাং লাই খুরুম্লিঙৈঙে মনুংদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ৬ শিখ্রে অমসুং ৮ শোকখ্রে। কনাডাগী প্রাইম মিনিষ্টরনা টেররিজমগী থৌওং অমনি হায়না ফোঙদোকখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ওথোরিটিশিংনা মীওই অনী ফারে হায়রি।

ক্বিবেককী প্রোভিন্সিয়ল পুলিস স্পোক্সপার্সন ক্রিষ্টিন কুলমনা নিংথৌকাবগী অঙনবদা হায়খি মদুদি, শুটিং অদুদা শোকখিবা মীওই খরা ফীভম লুনা লৈ। শিরিবা মীওইশিংদু চহী ৩৫ অমসুং ৭০ রোমগী লেঙ্গাশিংনি। মীওই ৩৯ দি অশোক-অপন অমত্তা নংখিদে। এটেক অদু পাঙথোকখিবা মতমদা মোস্ক অদুদা মীওই ৫০ হেন্না লৈখি হায়রি।

থৌদোক থোকফমদগী সসপেক্ট অমা ফাখি অমসুং অতোপ্পা মীওই অমনা মনাক নকপা দি'ওর্লিন্সতগী ফাখি, পুলিসনা মখোয়গী মমিং-মথাশিংদি ফোঙদোকখিদে।

'শাথিরবা এটেক অসিগী টার্গেটতি মুস্লিম কম্যুনিটিনি' হায়না ক্বিবেককী প্রেমিয়র ফীলিপ কীলার্দনা নিংথৌকাবগী অয়ুক অঙনবদা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা হায়খি। কিলার্দনা হায়খি, নিংথৌকাবা নুমিৎতা ক্বিবেক শিন-থুংনা সোলিদরিটি রেলিশিং পাঙথোক্কনি অমসুং প্রোভিন্স অদুগী মীয়াম্না থৌদোক অদুবু অমত্তা ওইনা য়ানিংদবা উৎকনি।

ক্বিবেক সিটিগী মেয়র রেজিস লাবিয়মনা থৌদোক অদুদা নুংনাংবা ফোঙদোকখি। 'কনামত্তনা মখোয়গী কাঙলুপ, মখোয়গী কুচু, মখোয়গী সিক্স্যুঅল ওরিয়েন্টেসন নৎত্রগা মখোয়গী লাইনিং লন্বীশিংগীদমক্তা থৱায় কখোক্লিঙাই ওইদে' হায়না লাবিয়মনা হায়খি।

ক্বিবেক সিটিদা লৈবা ইস্লামিক কলচর সেন্টরগী প্রসিদেন্ট মোহম্মদ য়াঙ্গুইনা হায়খি, নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তু প্রোভিন্সিয়ল কেপিটেলগী মোস্ক অদুগী নুপাগী সেক্সনদা থোকখিবনি। এটেক অদু পাঙথোকখিবা মতমদা মহাক সেন্টরদুদা লৈখিদে, তৌইগুম্বসুং থৌদোক থোকফমদা লৈবা মীওই খরদগী মহাক্না থৌদোক্তুগী মতাংদা অকূপ্পা খরদি লৌরে। 'শিখিবশিং অমসুং শোক্লিবশিংগীদমক্তা ঐখোয়না ৱায়' হায়না মহাক্না হায়খি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা মুস্লিম লৈবাক খরদা ত্রাভেল বেন থমখিবদগী মালেম শিন-থুংনা টেন্সন ৱাংনরকপদগী ফীভম অমা লৈরিঙৈদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু কনাডিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ক্রুদো অমসুং কিলার্দ অনীমক্না টেররিষ্টকী থৌওং অমনি হায়খি।

'লাই খুরুম্ফম অমসুং অৱাবা তারবশিংগী চঙজফম অমদা মুস্লিমশিংদা চথখিবা টেররিষ্ট এটেক অসি ঐখোয়না কন্দেম তৌই' হায়না ক্রুদোগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি। 'দাইভর্সিটিনা ঐখোয়গী পাঙ্গলনি অমসুং লাইনিং-লাইশোলগী লন্বী খুদিংমকপু ঈকায় খুম্নবা হায়বসি ঐখোয়না কনাডিয়নশিং ওইনা য়াম্না লুনা খঞ্জবা ভেল্যু অমনি।

'মুস্লিম-কনাডিয়নশিং অসি ঐখোয়গী নেসনল ফেব্রিককী মরু ওইবা শরুক অমনি' হায়না মহাক্না হায়খি। 'কনাডাগী লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা কনাডিয়ন খুদিংমক্কী রাইট্সশিংবু ঙাক শেনগনি অমসুং অসিগুম্বা থবক অমসুং অতৈ কাঙলুপ নাইবগী থবকশিংদা চেন্নবা মীওইশিং ফানবা তৌফম থোকপা খুদিংমক তৌগনি।'

## সু চিগী এদভাইজর নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে, রুলিং পার্টিনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে



য়াঙ্গোন, জানুৱারী ৩০ :
মতম শাংনা ওং সান সু চিগী এদভাইজর ওইরকখিবা কো নিবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবদা থম্মোয় শোক্লরবা ম্যান্মারগী পোলিটিস্যানশিং, এক্টিভিষ্টশিং অমসুং অতৈ মীওই কয়া নিংথৌকাবা নুমিৎতা মহাক্কী অরোইবা মথৌ-মঙম পাঙথোক্লবগীদমক্তা সেমিত্রি অমদা পুনখ্রে। চৈরকসিদা পুলিসনা মীহাৎ অদুগী মোটিভকী মতাংদা থিজিনবা হৌখ্রে হায়রি।

ম্যান্মারগী মুস্লিম মাইনোরিটিগী মশক নাইবা মেম্বর অমা ওইরিবা কো নি নোংমাইজিং নুমিৎতা য়াঙ্গোন এয়রপোর্টতগী মখোঙনা থোক্লকখিবা মতমদা মকোক্তা অনকপা রেঞ্জদগী কাপ্তুনা হাৎখিবনি।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মনুং হঞ্জিনবা এরিয়াশিংদা মরু ওইনা ইঠনিক মাইনোরিটিশিং দিল তৌবা মতমদা নুংশি-হৈতবা মওংদা মীওৎ-মীনৈগী থৌওংশিং চথবা য়াওরবসু মশক নাইবা মীওইশিংদা এটেক তৌবগী থৌদোক তাংবা মরম্না মীহাৎ অদুনা য়াঙ্গোনদা মীওই কয়া থম্মোয় শোকহল্লে হায়রি।

'ওং সান সু চি অমসুং পার্টি অনীমক্কী ওইনা কো নিগী মহুৎ কনামত্তনা শিনবা য়ারোই' হায়না সু চিগী রুলিং নেসনল লীগ ফোর দিমোক্রেসি পার্টিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি। মহাক মরু ওইনা কন্সটিটুস্নেল লোগী এক্সপার্ট অমা ওইনা লৌনবা মীশক্নি। মহাক্না মমাঙগী মিলিটরি জন্টানা মখা শাংথনা পৱার পায়বা য়ানবা পুথোকখিবা চার্টরগী প্রোভিজনশিং নাথৈনবগী লন্বী কয়া পুথোক্লবা হোৎনখি।

মমাঙগী মিলিটরিনা শৌগৎপা রেজিমগুম্না মসিগী মহুৎ শিনখিবা সু চিগী গভর্ণমেন্টবুসু দিল তৌনবদা ৱায় হায়না ফোঙদোক্লিবা জর্নেলিষ্টশিং অমসুং হ্যুমেন রাইটসকী ৱার্কর্শিংনা কো নিবু মখোয়দা মতেং ওইবা মীশক অমা ওইনা লৌনখি।

বুধিষ্টশিংনা মেজোরিটি ওইবা ম্যান্মারদা কাঙলুপ নাইবগী থৌওংশিং তোয়না মায়োক্লরিবা মুস্লিমশিংগী হকশিংবুসু কন্নবা মহাক্না কন্না হোৎনখি। হৌখিবা চহীদা ম্যান্মার মুস্লিম লোইয়র্স এসোসিয়েসন লিংখৎখিবদসু কো নিনা মতেং পাংখি।

ম্যান্মারদা অসুম্না মুস্লিম লোইয়রশিংগী ওইবা এসোসিয়েসন অমা শেমখিবসিবু অলত্রা নেস্নেলিষ্ট বুধিষ্ট মঙ্কশিং অমসুং মহাক্কী পোলিটিকেল মীচঙ খরনা ক্রিটিসাইজ তৌখিবনি। মখোয়না অসিগুম্বা এসোসিয়েসন অমা শেম্বসিনা কাঙলুপ নাইবগী ৱাখল্লোনবু পুক্লিং থৌগৎকনি হায়বগী অকিবা ফোঙদোকখি।

## ত্রম্পনা য়াদবা রিফ্যুজিশিং কনাডানা তরাম্না ওক্কনি : প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ক্রুদো



টরোন্টো, জানুৱারী ৩০ :
মুস্লিম রিফ্যুজিশিংবু কনাডানা তরাম্না ওক্কনি হায়না কনাডিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ক্রুদোনা হায়খ্রে। প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী ত্রাভেল বেনগী মখাদা য়ু এসনা মুস্লিম ত্রাভেলর কয়া হনহল্লিঙৈ তাল্লকসিদা ক্রুদোনা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি।

লাইনিং-লাইশোনগী লন্বী মান্নদবদগী তাথি-তাওইনা তৌবা, টেররিজম অমসুং লালদগী নাম্থোক্তুনা চেল্লক্লিবশিংবু খেন্নবা থমদনা কনাডিয়নশিংনা তরাম্না ওক্কনি। দাইভর্সিটি অসি ঐখোয়গী পাঙ্গলনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ক্রুদোনা মহাক্কী ত্বীটরগী ৱারোল অমদা হায়খি।

প্রসিদেন্ট ত্রম্পকী ইম্মিগ্রেসন বেননা মরম ওইদুনা অমেরিকাগী এয়রপোর্ট কয়াদা চমম্ননিঙাই ওইবা মথোং মরম খঙদবা ফীভম অমা লাকহনখিবনি। হৌখিবা চয়োল লোইশিল্লকপদা মুস্লিমশিংনা মশিং য়াম্বা লৈবাক খরগী মীওই দজন কয়া ফ্লাইটশিংদা তোংবা ফাওবা য়াহনখিদবগা লোয়ননা দিটেন তৌখি।

ক্রুদোনা মহাক্কী ত্বীট অদুদা 'কনাডানা তরাম্না ওকচরি' হায়না মখা তাখি। হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা টরোন্টো এয়রপোর্টতা সিরিয়াগী অঙাং অমবু মহাক্না তরাম্না ওকখিবগী পিকচর অমসু মহাক্না তুংদা থাগৎখি।

মহাক্না কনাডাগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখিবা মতমদা সিরিয়ন রিফ্যুজি ৩৯,০০০ হেন্না কনাডাদা থুংলখি।

চৈরকসিদা, ক্রুদোগী স্পোক্সপার্সন কেট পর্চেজনা হায়খ্রে মদুদি, প্রাইম মিনিষ্টরনা প্রসিদেন্ট ত্রম্পকা মথং ৱারী শানবা মতমদা কনাডাগী ইম্মিগ্রেসন অমসুং রিফ্যুজি পোলিসীনা মায় পাকপগী মরমদা খন্নগনি। প্রাইম মিনিষ্টর ক্রুদো হ্বাইট হাউসতা খোঙচৎ অমা থুনা চৎলগনি হায়না থাজনরি।

ত্রম্পকী মবুক্লিং শোকহন্দ-নবগীদমক্তা কনাডিয়ন প্রাইম মিনিষ্টরনা অনৌবা প্রসিদেন্ট অসিবু ক্রিটিসাইজ তৌখিদে। মেক্সিকোগুম্না কনাডানা য়ু এসকী টার্গেট অমা ওইরকপা পামদে হায়রি।

কনাডাগী প্রোভিন্স সাস্কটচেৱানগী কঞ্জার্ভেটিভ প্রেমিয়রনা ক্রুদোগী ৱাফম অদুবু শৌগৎপা ফোঙদোকখি। টরোন্টোগী মেয়র জো টোরিনসু প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাফম অদুবু শৌগৎলদুনা সিটি অসিনা মালেমদা খ্বাইদগী হেন্না মীওই কাঙলুপশিং শুনা লৈ হায়খি। 'কনাডিয়নশিং ওইনা ঐখোয় পুম্নমক ইম্মিগ্রেন্ট ঙাক্তনি হায়বা য়াই অমসুং কনামত্তবু কাঙলুপকী খেন্নবদা নৎত্রগা নেস্নেলিটিদা য়ুম্ফম ওইরগা তোঙানবা মীৎয়েংনা য়েংলোইদবনি।'

## য়ু এসতা চৎনবা থৌরাংলম্বা মুস্লিম লৈবাকশিংগী পেসেঞ্জর ২১ এয়র ফ্রান্সনা থিংখ্রে

পেরিস, জানুৱারী ৩০ : য়ু এসতা চৎনবা থৌরালম্বা মুস্লিম লৈবাকশিংগী পেসেঞ্জর ২১ এয়র ফ্রান্সনা অথিংবা পীখ্রে। প্রসিদেন্ট দোনাল্ডগী অনৌবা ইম্মিগ্রেসন বেনগী মখাদা মখোয়বু য়ু এসতা চঙহন্দবগী ফীভম লৈবনা এয়র ফ্রান্সনা পেসেঞ্জরশিংদুবু থিংখিবনি।



এয়র ফ্রান্সকী ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি, অনৌবা অথিংবশিংদুগী মতাংদা য়ু এস গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা থাংজদা মখোয়দা খঙহল্লকখি। মসিনা মরম ওইদুনা পেসেঞ্জরশিংদু য়ু এস পাংগদবা ফ্লাইটশিংদা তোংবা থিংখিবনি। এয়রলাইনগী স্পোক্সপার্সন অমনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হায়খি মদুদি, মীওই ২১ মখোয়গী দিপার্চর মফমদা পুখ্রে। মহাক্না পেসেঞ্জরশিংদুগী মমিংশিং, নেসনেলিটিশিং অমসুং অতৈ অকূপ্পশিংদি পীখিদে।

ইন্টরনেসনল এয়র লাইনশিংনসু মান্নবা থৌওংশিং চথখ্রে হায়রি। পেসেঞ্জরশিং অদুথা অহুমগী ইম্মিগ্রেসন বেন অদুনা শোকহল্লবা মুস্লিমশিংনা মশিং য়াম্বা লৈবাক তরেৎ হায়বদি সিরিয়া, ইরাক, ইরান, সুদান, লিবিয়া, সোমালিয়া অমসুং য়েমেনদগীনি।

## সেফ জোনশিং শেম্বগী মতাংদা দোনাল্ড ত্রম্পনা সাউদি নিংথৌগা ৱারী শানখ্রে





ৱাশিংটন, জানুৱারী ৩০ :
সিরিয়া অমসুং য়েমেনদা সেফ জোনশিং শেম্বদা সাউদি অরাবিয়া অমসুং য়ু এ ঈগী মতেং লৌনবা হোৎনরদুনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা সাউদি অরাবিয়াগী নিংথৌ অমসুং অবু দাবিগী ক্রাউন প্রিন্সকা টেলিফোনদা ৱারী শানখ্রে হায়না হ্বাইট হাউসনা হায়রি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা তৌখিবা টেলিফোন কোলশিংদুদা ত্রম্পনা ইরান, ইরাক, সুদান, সিরিয়া, য়েমেন, লিবিয়া অমসুং সোমালিয়াগী রিফ্যুজিশিং অমসুং সিটিজনশিংনা চঙলকপা থিংখিবদুগী মতাংদি পনখিদে হায়না পোলিটিকো ন্যুজ মেগাজিনগী পাউনা ফোঙদোকখি।

সাউদি নিংথৌ সলমান বিন অব্দুলাজিজ অল সাউদতা তৌখিবা কোল অদুদা প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা সিরিয়া অমসুং য়েমেনদা সেফ জোনশিং শেম্বদা অমসুং হৌজিক হৌজিক থোক্লিবা কনফ্লিক্টশিং অদুদা ময়ুম-মকৈ থাদোক্লবা রিফ্যুজি কয়াদা মতেং পাংনবগী অতৈ আইদিয়া কয়াবুসু সপোর্ট তৌবীনবা হায়জখি।

সাউদি নিংথৌনসু প্রসিদেন্ট ত্রম্পকী ৱাফমশিংদা য়াখ্রে হায়না হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোকখি।

লাল নংলবা লৈবাকশিং অদুদা ত্রম্পনা হায়জখি হায়রিবা সেফ জোনশিং নৎত্রগা সাউদি নিংথৌনা মদুগা মরী লৈননা তৌনিংলিবনা করিনো হায়বদু খুদক্কী ওইনা শেংনা খঙবা ঙমখিদে।

য়ু এস প্রসিদেন্ট অমসুং নিংথৌ সলমাননা ইরানগা তৌনবা ন্যুক্লিয়র দিল চেকশিন্না মপুং ফানা চৎনহনবগী অমসুং টেহরাননা লমদম অদুদা তৌরিবা তং-তাবগী ফীভমদা অকায়বা পীনিঙাই ওইবা এক্তিভিটি কয়া য়েংশিন্নবগী ৱাফমদসু য়ানখি।

মিদ্দল ইষ্টকী লৈবাকশিংনা টেররিজমবু মায়থীবা পীনবা হোৎনবদা লিদ তৌবীনবসু সাউদি নিংথৌগী মায়কৈদগী ত্রম্পতা হায়জখি হায়রি।

## য়েমেনদা লৈবা অল-কাইদাগী মথক্তা য়ু এসকী এলিট ফোর্সশিংনা অকনবা মওংদা রেইদ চথখ্রে

অদেন, জানুৱারী ৩০ :
য়ু এসকী এলিট ফোর্সশিংনা নোংমাইজিংগী অয়ুক অঙনবদা য়েমেনদা লৈবা অল-কাইদাগী মায়োক্তা রেইদ চথখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা জিহাদিষ্টশিংনি হায়না চিংনবা মীওই ১৪ হাৎখিবা ওপরেসন অদুদা অমেরিকান লান্মী অমসু শিখ্রে হায়রি।

'মথৌনা লৈবা সার্ভিস মেম্বর অমা' শিখিবগী পাউনা অমেরিকানশিংবু থম্মোয় শোকহল্লে হায়না য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ফোঙদোকখ্রে।

এসোল্ট অদু ত্রম্পকী মখাদা য়েমেনদা পাঙথোকপা ৱাশিংটনগী অহানবা অচৌবা মিলিটরি এক্সননি। ইস্লামিক এক্সত্রিমিজমগী মায়োক্তা য়ু এসকী লাঞ্জং কনখৎকনি হায়না ত্রম্পনা চেৎনা ফোঙদোকখ্রবনি।



য়ু এস মিলিটরিনা হায়খি, বাইদা প্রোভিন্সকী য়াকলা রিজনদা চথখিবা রেইদ অদুদা অল-কাইদা ইন দ অরাবিয়ন পেনিন্সুলা (এ ক্যু এ পি) গী মেম্বর ১৪ শিখ্রে। ৱাশিংটন্না এ ক্যু এ পি অসি গ্লোবেল টেরর নেটৱার্ক অদুগী (অল-কাইদাগী) খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথীনিঙাই ওইবা ব্রাঞ্চ ওইনা লৌরিবনি।

য়েমেনগী প্রোভিন্সিয়ল ওফিসল অমনা রেইদ অদুদা শিখিবশিংগী মশিং হেনগৎনা পীদুনা টেররিষ্ট ৪১ অমসুং নুপী নিপান অমসুং অঙাং নিপান য়াওনা রেইদ অদুদা মীচম ১৬ শিখ্রে হায়খি।

ৱাশিংটন্না য়ু এসকী লান্মীদু করম্না শিখিবগে হায়বগী মতাংদা কূপ্না ফোঙদোকখিদে। অমেরিকান সার্ভিসমেন অহুমসু রেইদ অদুদা শোকখি অমসুং মরিশুবা অমনা 'কন্না লেন্দিং তৌবদা শোকখি' হায়না ত্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখ্রে।

'রেদিকেল ইস্লামিক টেররিজম থেংনবদা থৌনা লৈরবা ঐখোয়গী সার্ভিসমেন অমা মথৱায় মাঙখিবগী পাউনা ঙসি অয়ুক অমেরিকানবু ৱাহল্লে' হায়না ত্রম্পনা হায়খি।

য়ু এস সেন্ট্রেল কম্মান্দগী ষ্টেটমেন্ট অমনা রেইদ অদুদা শিজিন্নখিবা এয়রক্রাফট অমা তঙাই ফদনা থুগায়বা তাখি হায়না ফোঙদোকখি।

য়েমেনদা ইরাননা শৌগৎপা রেবেলশিং অমসুং প্রো গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মরক্তা হৌখিবা কুমজা ২০১৫ গী মার্চতগী চথরকখিবা সিভিল ৱার অমদা মীওই ৭,০০০ হেন্না শিখ্রে। সিভিল ৱার অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা এ ক্যু এ পি অমসুং আই এস আই এস গ্রুপকুম্বা এক্সত্রিমিষ্টশিংনা হীরম কয়াদা শোথরবা লৈবাক অসিদা মখোয়গী খোঙফমশিং চেৎনবা হোৎনরকখিবনি।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা য়েমেনগী ৱেষ্ট কোষ্টতা য়েমেনি লোয়েলিষ্টশিং অমসুং সিয়াইট রেবেলশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লবদগী মীওই ১০০ হেন্না শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখি।




## EMPLOYMENT NEWS

### CISF Recruitment 2017 – Central Industrial Security Force – 79 Assistant Sub-Inspector (Steno) Vacancies – Last Date 28 February

**CISF Recruitment 2017**

Central Industrial Security Force (CISF) invites application For the post of 79 Assistant Sub-Inspector (Steno) direct candidate. Apply before 28 February 2017.

**Job Details :**

Post Name : Assistant Sub-Inspector (Steno)
No. of Vacancy : 79 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2800/-

**Categories wise Vacancies :**

UR : 39 Posts
OBC : 16 Posts
SC : 08 Posts
ST : 16 Posts

**Eligibility Criteria for CISF Recruitment :**

Educational Qualification : Candidate should have passed Intermediate or Senior Secondary School Certificate (10+2) examination from recognized Board or University or equivalent and Dictation 10 minutes @ 80 words per minute. Transcription time 50 minutes in English or 65 minutes in Hindi on computer.

Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 25 years as on 28.02.2017

**Age Relaxation :**
For Schedule Caste/Tribe : 05 years
For Other Backward Class : 03 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection process based on further stages of recruitment that is Eligibility test, Physical Efficiency Test, Written Test and Trade Test.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.100/- in the form of Postal Order drawn in favour of the officer concerned CISF as per Official Notification and payable at the concerned post office. Fee is exempted for candidates belonging to Scheduled Caste, Scheduled Tribe, women and Ex-servicemen.

**How to Apply CISF Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with Three self addressed envelopes (12 x 27 Cms size) duly affixing postal stamps for Rs.22/- thereon two. self attested Photostat copies of certificates/ testimonials in support of age and educational qualification send to concerned Zonal DIG of CISF Office As Per Official Notification on or before 27.02.2017.

**Important Dates to Remember:**
Last Date for Submission of Application form : 27.02.2017

**Important Links :**
Detailed Advertisement & Application Form Link : http://www.davp.nic.in/WriteReadData/ADS/eng_19113_7_1617b.pdf

### CRPF Recruitment 2017 – Central Reserve Police Force – 2945 Constables (Technical & Tradesmen) Vacancies – Last Date 01 March

**CRPF Recruitment 2017**

Central Reserve Police Force (CRPF) invites application for the post of 2945 Constables (Technical & Tradesmen). Apply Online before 01 March 2017.

**Job Details :**

Post Name : Constables (Technical & Tradesmen)
No. of Vacancy : 2945 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2000/-

**Eligibility Criteria for CRPF Recruitment :**

Educational Qualification : Candidate must have passed 10th / matriculation examination or its equivalent from a Board recognized by the Central or State Govt.

Nationality : Indian
Age Limit : As on 01.01.2017

For CT/DVR : 21 to 27 years
For all Other Posts : 21 to 23 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be made on PET/ PST & Written Examination.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.100/- through SBI Challan OR Net Banking OR Credit card / Debit Card. candidates belonging to Scheduled Caste, Scheduled Tribe and ExServicemen eligible for reservation are exempted from paying fee.

**How to Apply CRPF Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://crpf.nic.in on or before 01.03.2017

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application form : 01.03.2017
Last Date for Submission of SBI Challan : 20.02.2017

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://crpf.nic.in/writereaddata/Portal/Recruitment_Advertise/ADVERTISE/1_98_1_148012017_Email.pdf

**Apply Online :** http://crpf.nic.in/recruitment-details.htm?98/AdvertiseDetail